## সাউথ ইষ্ট এসিয়নশিংদা অপাম্বা মায়কৈদা লেপ্পু হায়দে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ০১ :
যুনাইটেদ ষ্টেটস চেন্নরিবা য়েৎনবগী ইশ্যু কয়াদা ৱাশিংটন্না ইন্দো-পেসিফিক লৈবাকশিংদা মায়কৈ খন্দুনা লৌখৎনবা হায়বা লৈতে হায়না যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা শগোলশেল নুমিত্তা বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্লিবা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ওইবা ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখ্রে।

চয়োল অসিদা পাঙথোক্লিবা অসিঅনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা যুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরক্তা অমগা-অমগা হীরম কয়াদা য়েৎনরকপগা মরী লৈনবা ইশ্যুশিং খন্নদবা য়াদবগী ফিভম লাক্লিবনি।

## টেঙ্কর এক্সচেঞ্জ তৌনরোই

লন্দন, ওগষ্ট ০১ :
গিব্রাল্টরনা ফাজিনখিবা ইরানগী টেঙ্কর অমগা টেহরান্না গল্ফতা ফাজিনখিবা বৃটিশ ফিরাল থেৎপা টেঙ্কর অমগা এক্সচেঞ্জ তৌনবগী ৱাফম লৈতে হায়না বৃটেন্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## হৌথিশিংনা মিলিটরি পেরেদতা মিসাইল অমদি দ্রোন ষ্ট্রাইক চখ্দুনা মীওই ৩০ হাৎখ্রে



অদেন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা য়েমেনি গভর্নমেন্টকী সেন্টর ওইরিবা অদেন্দা শগোলশেল নুমিত্তা পাংথোকখিবা মিলিটরি পেরেদ অমদা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেক কয়া চখ্খ্রে হায়না য়েমেনগী ইরান্না শৌগৎপা হৌথি মুভমেন্টনা ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা এটেকশিং অদুদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে হায়না মেদিকেল অমসুং সিক্যুরিটি সোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌথিশিংগা লান্থেংনরিবা সাউথি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসনগী মেম্বর অমা ওইরিবা য়ুনাইদেট অরাব এমিরেটসনা বেক্কিং পীবা য়েমেনি সিক্যুরিটি বেল্ট ফোর্সেসকী মিলিটরি কেম্প অমদা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবা মতুংদা লৈমায়দা অশিবা হকচাং ৯ তাবা রোইটর্সকী ৱিটনেস অমনা উবা ফংখি। এটেক অদুদা কম্মান্দর অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩১ শিখি হায়না মেদিকেল সোর্স অমগা লোয়ননা সিক্যুরিটি সোর্স অমনা ন্যুজ এজেন্সি অসিদা ফোঙদোকখি।

য়েমেনগী লাম্মী কয়া চেনশিনদুনা অশোকপশিং মিলিটরি ট্রকশিংদা হাপচিনখি। হৌথি মুভমেন্টগী ওফিসল চেনেল অল মসিরাহ টি ভিনা ফোঙদোকখিবদা, গ্রুপ অসিনা মিদিয়ম রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল অমা অমসুং খুৎলায় য়াওবা দ্রোন অমা মিলিটরি পেরেদ অদুদা টার্গেট তৌদুনা কাপশিনখি। মিলিটরি পেরেদ অদু মুভমেন্ট অসিনা কন্ট্রোল তৌরিবা প্রোভিন্সশিংদা খুৎ থানবগীদমক্তা শেম শাবা ওইনা পাঙথোক্লিবনি হায়না হৌথিশিংগী ওফিসল টি ভি চেনেল অসিনা ফোঙদোকখি।

প্রো-গভর্নমেন্ট মিলিটরি সোর্স অমসুং সিক্যুরিটি সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদুদা শিখিবগীশিংগী মনুংদা সাউদর্ন সেপরেটিষ্টশিংগী লুচিংবা অমা ওইরিবা কম্মান্দর বৃগিদিয়র জেনরেল মুনির অল-য়াফিসু য়াওখি। চৈরকসিদা য়েমেনগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল মলিক সায়িদ অমসুং য়েমেন্দা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী এনভোইনা এটেক অদু ইরানগী খুজিল থৌরাংনি হায়না মরাল শীখ্রে।

## ‘প্রোটেষ্ট তৌখিবা অঙাংশিং বেঙ্ককী সিক্যুরিটি গার্দশিংনা হাৎখিবনি’



কাইরো, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা সুদানগী এল-ওবেদ সিটিদা প্রোটেষ্ট তৌখিবা অঙাং কয়া হাৎখিবদু সিটি অসিদা লৈবা বেঙ্ক অমা ঙাক-শেল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্স অমননি হায়না সুদানিজ আর্মিগী সিনিয়র কম্মান্দর অমগী ৱারোল পল্লদুনা ওফিসল সুনা ন্যুজ এজেন্সিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সুদানগী কেপিটেল খার্তুমগী খা-নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ৪০০ রোম লাপ্না লৈবা এল-ওবেদ সিটিদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা অঙাং মরি য়াওনা মীওই ৬ শিখিবনি। সিটি অদুদা পাঙথোক্লিবা মহৈরোয়শিংগী প্রোটেষ্ট অমা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থুগায়নবা হোৎনবদা মীওইশিং অদু শিখিবনি হায়না ওপোজিসনগা মরী লৈনবা দোক্তরশিংনা ফোঙদোকখি।

সিটি অদুগী মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লখিবগী মতুং ইন্না ফ্যুএল অমসুং ব্রেদনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংজিল্লক্তবগী মায়োক্তা অঙাংশিং প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

## ইস্লামিক ষ্টেটনা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই ৭ হাৎখ্রে



টিক্রিট, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা অহিংদা চখ্খিবা তোঙান-তোঙানবা এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা ইরাক্কী সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৬ না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

বাঘদাদ সিটিগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্না লৈবা সলাহুদ্দিন প্রোভিন্সকী দুগাইল দিষ্ট্রিক্টকী সয়িদ ঘরিব কৌবা মফম অমদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা চখ্খিবা এটেক অমদা পোপ্যুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সেস (পি এম এফ)কী মেম্বর ৩ অমসুং পুলিস পর্সনেল অনী শিখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পি এম এফ অসি ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টরদা তঙাই ফদনা পাউ পীরিবা অয়াম্বনা ইরান্না শৌগৎপা সিয়াইট মিলিস্যাশিংগী ওইবা অম্ব্রেলা গ্রুপ্পিং অমনি। তোঙানবা থৌদোক অমদা অহিং অদুমক্তদা সুলাইমিনিয়া প্রোভিন্সকী কলার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোলা জাৱি ভিলেজদা কর্দিস ফোর্সশিংগী মায়োক্তা মোর্টার এটেক অমা চখ্খিবগী থৌদোক্তা সিমি-ওটোনমস কর্দিষ্টান রিজনেল গভর্নমেন্টকী অসায়িস ইন্টরনেল ফোর্সেসকী মীওই অনী শিখি অমসুং ১৪ না অশোক-অপন নংখি হায়না অসায়িস সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

এটেক অনীমক্কী মতাংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়কৈদগী ক্লেম তৌরকখিবা লৈত্রবসু এনালিষ্টশিংনা এটেকশিং অদু মখোয়গী খুৎ শোয়দনা ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

মতম অমদা ইরাক্কী মফম কয়ামরুম কন্ট্রোল তৌখিবা ইস্লামিক ষ্টেটপু মায়থিবা পীরে হায়না ইরাক্না কুমজা ২০১৭ গী দিসেম্বরদা লাউথোকখিবা লৈরবসু হার্দলাইন সুনি মিলিটেন্টশিং অসিনা বাঘদাদ গভর্নমেন্টদা য়ৈখায়-থিনগাইবা কয়া পীনবা হোৎনদুনা গভর্নমেন্ট ফেসিলিটিশিং অমসুং ফোর্সশিংগী মায়োক্তা গুরিলা এটেক কয়া চখ্দুনা লাকখিবনি। মচোই-মচোই তারুৱবা গ্রুপ অসিগী মীওইশিং ইরানগা লোন্নবা অৱাং নোংপোক থংবা চীংগী লমদমদা অমুক হন্না পুনশিন্নখি হায়না লৌনরি।

## চাইনাগী অকল-অরিং শীংবগী থৌওং ভিয়েটনাম্না কন্দেম তৌখ্রে

হনোই, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা থাউ থিবগী থবক কয়া লোনা য়াদবা মওংদা চাইনানা চখ্রি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা সাউথ চাইনা সীদা চাইনানা উৎলিবা অকন-অরিং শীংবগী থৌওংশিং ভিয়েটনাম্না কন্না য়ানিংদবা উৎখ্রে হায়না ষ্টেটনা চলাইবা ন্যুজ পোর্টেল অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।




ভি জি পি ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ভিয়েটনামিজ ফোরেন মিনিষ্টর ফাম বিন মিননা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (আসিঅন)গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদা চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা ৱাং য়িগা ৱারী শান্নখিবদা ভিয়েটনামগী এক্সক্লুসিভ জোনগী মনুং চনবা সাউথ চাইনা সীগী মফম খরদা বৈজিংনা হনোইগী সোভরেন্টি অমসুং সোভরেট রাইটসশিং খোঙ্গাওনবগী মতাংদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা আসিঅন-চাইনা মিনিষ্টরিএল মীটিংদা ৱা ঙাঙখিবা মিন্না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাংদা হৌখিবা জুলাই থা হৌবদগী চাইনিজ জহাজ হাইয়াং দিঝিহি ৮না ভেনগার্দ বেঙ্ক মনাক্তা এস্কোর্ট অমা লোয়নরদুনা জিওলোজিকেল সর্ভে চখ্খরকখিবগী মতাংদা কন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখি হায়না ভি জি পি ন্যুজকী রিপোর্টতা পনখি।

অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসিনা সমুদ্রগা তাইননা লৈরিবা লৈবাকশিংগী লোনা য়াবা রাইটশিং অমসুং বেনিফিটশিংদা শাথিনা চৈথেং পীবগা লোয়ননা লৈবাক কয়াগী মরক্তা লৈনরিবা থাজনবা মাঙহন্দুনা অমসুং উংখৎনবা হেনগৎহন্দুনা লমদম অসিগী মরা তপ্পা অমসুং তং তাবগী ফিভমদা অকায়বা থোকহল্লি হায়না মীফম অদুদা ভিয়েটনামিজ ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি। মখা তারদুনা মহাক্না যু এন কনভেন্সন ওন লো ওফ দ সী (অনক্লোস) য়াওনা ইন্টরনেসনল লো ইকাই খুম্নগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## দিল য়াওদবা ব্রেক্সিট প্লান্নিংদা দোলর বিলিয়ন ২.৬ চাদিং তৌগদৌরি



লন্দন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
হীদাক লাংথকশিং পৈশিন্নবা, অহেনবা বোর্দর ওফিসলশিং নেক্লবা অমসুং খ্বাইদগী চাওবা পিছ টাইম এদভার্টাইজিং কেম্প্যেনশিংগী মনুংদা অমা ফন্দিং তৌনবগীদমক্তা পাউন্দ মিলিয়ন ২.১ (দোলর বিলিয়ন ২.৬)কী অহেনবা শেনফম অমা চাদিং তৌদুনা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকীদমক্তা শেম-শাবগী থবকশিং কনখৎলে হায়না বৃটেন্না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ওফিস পায়বা হৌখিবা বোরিস জোন্সন্না করিগুম্বা যুরোপিয়ন যুনিয়ন্না মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগা য়ানখিবা এগজিট দিল অমুক হন্না নিগোসিএট তৌনদুনা অহোংবা খরা লাকহনবগী ৱাফম য়াদবা তারবদি থা অহুমগী মনুংদা এগ্রীমেন্ট অমত্তা য়াওদনা ট্রেদিং ব্লোক অসি থাদোক্লগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখিবনি।

অনৌবা বৃটিশ ফাইনান্স মিনিষ্টর সজিদ জভিদনা মহাক্কী অহানবা মরু ওইবা পোলিসিগী মতাংদা খঙহল্লদুনা হায়খি মদুদি, পউন্দ বিলিয়ন ২.১গী অহেনবা শেনফম অসিনা গভর্নমেন্টপু কষ্টমস ওফিসলশিংবু ট্রেনিং হেন্না পীবা ঙমহনবগা লোয়ননা পাসপোর্ট এপ্লাই তৌবা হেনগৎলকপগী ফিভম মায়োক্লবদা চঙগদবা অহেনবা ষ্টাফ নেকপা অমদি পোর্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা ঙমহল্লগনি।

যু কেনা যুরোপিয়ন যুনিয়ন থাদোক্লদবা নুমিৎ ৯২দমক ঙাইশিল্লক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়না খোঙথাং অসিগীমদমক্তা শেম শাবগী থবকশিং কনখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা জভেদনা হায়খি মদুদি, এন্টি-দেম্মোক্রেটিক বেকষ্টোপ য়াওরোইদবা অফবা দিল অমা ঐখোয়না পাম্মী। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা অফবা দিল অমা ফংবা ঙমদবা তারবদি তঙাইফদনা ঐখোয়না দিল য়াওদনা যুরোপিয়ন যুনিয়ন থাদোক্কনি।

ইনভেষ্টর কয়ানা কিনরিবদি দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম্না মালেমগী শেল-থুমগী থবক থৌরম কয়াদসু অকায়বা পীবগা লোয়ননা বৃটেনবু অচৌবা রিসেসনগী ফিভম অমা মায়োক্লহনগনি, ফাইনান্সিএল মার্কেটশিংগী ফিভম লুহনগনি অমদি লন্দনগী ইন্টরনেসনল ফাইনান্সিএল সেন্টর অমা ওইবগী পোজিসনসু শোন্থহনগনি হায়বসিনি।

## যু এসকী এম্বেসি ওফিসলশিং কম্বোদিয়া থাদোক্তুনা চৎখিবা য়াগনি

পনোম পেন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
যু এসকী এম্বেসি ওফিসলশিংনা কেম্বোদিয়াদা লৈবা পামদ্রবদি মখোয় লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা য়াগনি হায়না কেম্বোদিয়ন গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



সাউথইষ্ট এসিয়ান লৈবাক অসিগী কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কা হেন্না অরান-অহুই কয়া চখ্খি হায়না যু এস দিপ্লোমেটশিং ফোঙদোকখিবা মতুংদা কেম্বোদিয়ান গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি মুথুৎখিবদগী রাইটস গ্রুপ কয়ানা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইদে হায়না ফোঙদোক্লখিবা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর হুনসেনগী রুলিং কেম্বোদিয়ন পিপলস পার্টি (সী সী পি)না পার্লিয়ামেন্টরি সীট ১২৫মক ফংখিবনি।

মীখল অদু পাঙথোকখিবা চহী অমা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেম্বোদিয়াগী কেপিটেল পনোম পেনদা লৈবা যু এস এম্বেসিনা থাগৎখিবা ফেসবুক পোষ্ট অমদা মীখলগী রিজল্টশিং অদু কেম্বোসিয়ন মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তনি হায়না ফোঙদোকখি। যু এস ওফিসলশিংনা অসিগুম্বা লৈবাক মচা তাদবা শাথিরবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসি শীজিন্নরোইদবনি হায়না গভর্নমেন্টগী স্পোক্সমেন ফে সিফান্না যু এস এম্বেসিগী ৱাফম অদুগী মতাংদা হায়খি। ঐখোয় মরুপ-মপাং ওইনরবসু অসিগুম্বা ওফিসলশিং অসিনা কেম্বোদিয়া পামদবা ওইরবদি মখোয় পোৎ-চৈশিং য়োমদুনা লৈবাক অসি থাদোকখিবা য়াগনি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐহাক্না য়াম্না ‘নাখে শেংনা ঐখোয়না নখোয়বু ৱেলকম তৌদ্রে’ হায়বসি খঙহনবা পাম্মী হায়না সিফান্না শগোলশেল নুমিত্তা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

সিফান্না মখা তারদুনা হৌখিবা থাদা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ত্বিটর পোষ্ট অমগী খুথাংদা কোংগ্রেসকী ইথনিক মাইনোরিটি দেম্মোক্রেটিক মেম্বর নুপী ৪ দা ক্রাইম্না থল্লবা কাং-খোং চাইরবা মখোয়গী লৈবাক্তা হনখ্রো হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম্লুসু কন্না য়ানিংদবা উৎখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা যু এস এম্বেসিগী স্পোক্সপর্সন অমনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ফেসবুক পোষ্ট অদুদা ওপোজিসন কম্বোদিয়ন নেসনল রেস্ক্যু পার্টিগী ইলেক্তেদ ওফিসল ১১৮সু চহী ৫ পোলিটিক্স য়াওবা থিংখ্রবনি হায়বা ৱাফমসু পনখি।

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ (Meitei Mayek heading)

Directorate of Handlooms & Textiles, Govt. of Manipur গী শেন্থং মখাদা পুথোক্লিবা Natural/Vegetable Dyes & Printing গী Cotton & Silk কী লং অমদি ফিরোলশিং ফংবীগনি অদুগা ত্রেনিংসু পীজরি। ফিশাবীশিং অমদি অপাম্বা মীওইশিংনা Vegetable Dyes & Printing গী Designe নচিংবা Order তৌবীবা য়াগনি।
পাউজেঞ্জরিবা -

**Oinam Brojendro Singh**
State Awardee
Prop. M/S Eastern Dyeing & Printing Industries
Heirangoithong Maibam Leikai, Imphal West - Manipur.
#8731929335
HL-P/3290/2

## /PENSION BOOK LOST

I have lost my Original Pension Book bearing No. 141601661 issued by Treasury Office Imphal on the way from Lilong Bazar to Turel Ahanbi Dam on 28/7/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Mrs. Rahamatun**
Lilong Chingkham Makha, #9615709110
HL-P/3513./2

## অহুমশুবা ঈবোলাগী কেস থেংনবদগী রৱান্দানা কোঙ্গোগা লোন্নবা বোর্দর থিংজিনখ্রে




গোমা, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি) :
কোঙ্গোগী ঈবোলা লায়নাগী লাইচৎ শন্দোরক্লবা গোমা সিটিদা অহুমশুবা ঈবোলাগী কেস অমা কনফার্ম তৌখ্রবা মতুংদা রুৱান্দাগী ওথোরিটিশিংনা গোমাগা তাইনবা বোর্দর শগোলশেল নুমিত্তগী থিংজিনখ্রে হায়রি।

ইষ্টর্ন কোঙ্গো সিটি অদুদা লৈবা ঈবোলানা নারবা মীওই অমগী মচানুপীদা লায়না অদুগী ভাইরস চঙলে হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না কোঙ্গোগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা রুৱান্দানা বোর্দর থিংজিনবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

ঈবোলা পেসেন্ট অমগী মচানুপীদুদা লায়না অসি চঙলে হায়না কনফার্ম তৌরিবদু রুৱান্দাগা তাইননা লৈরিবা য়ামদ্রবদা মীওই মিলিন অমা লৈবা সিটি অদুগী ওইনা অহুমশুবা কেসনি। রুৱান্দাগী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর ফোরেন এফ্যের মিনিষ্ট্রি ওলিভিয়রনা রোইটর্সতা ফোনগী খুৎথাংদা ফোঙদোকখিবদা গোমাদা ঈবোলাগী অহুমশুবা কেস অমা কনফার্ম তৌখিবদগী লায়না অদুগী মহিক খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা মী কুংনা তাবা রৱান্দাগী গিসেলি টাউন্দা শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী বোর্দর থিংজিনবগী খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

হৌখিবা জুলাইগী ময়াই চনবা শরুক্তা গোমাদা অহানবা ঈবোলা কেস কনফার্ম তৌখিবা মতুংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গানইজেসন্না ইন্টরনেসনল হেল্থ ইমজেন্সি লাউথোকখিবনি। মমাংদা কোঙ্গোগা যুম্লোন্নরিবা লৈবাক কয়ানা মখোয়গী বোর্দরশিং থিংজিনখিবা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী দব্লিয়ু এচ ওনা হেল্থ ইমার্জেন্সি লাউথোকখিদবনি।

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
In aid of
Annual Fund Drive Org. By Centre for Human Development Regd. No. 362/M/SR/2008
Ticket Rate Rs. 1500/-
HOUSEFULL
Date / Time : 2nd August2019 (6p.m.)




MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
Housefull
Rs. 2 Lakhs
VENUE : Kakwa Asem Leikai Community Hall
HL-P/3516/2